# নেসনেল ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সিনা

## য়ুএনএলএফকী মকোক থোংবা মীওই ৩ ফাগৎখ্রে

*নিউ দিল্লি, জনুৱারী ১৩:* শেলগী তেংবাং পীদুনা টেরোরিজম য়োকখৎপা অমসুংইন্সর্জেন্সি শৌগৎপগী মরালশিং অসিদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী মীওই অহুম নেসনেল ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সি (এন আই এ) না ফাগৎখ্রে।

মীওই অহুম অসি য়ু এন এল এফকী লুচিংবা আর কে মেঘেনবু ইং ২০০৯ দা ফাখ্রবা মতুংদা এন আই এনা লুপ অসিগী থবক থৌরম কয়া থিজিনবগা লোয়ননা ফাননবা হোৎনরকপনি। মমাঙগী চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা অতোপ্পা মীওই ১৮ গা লোয়ননা মেঘেনগী মথক্তা চার্জসিট থাগৎখ্রে।

চহী অমা চুপ্পা চৎখরকপা থিবা-হুন্নগী থবক অমদা এন আই এনা টেরোরিষ্ট এক্টিভিটিশিংগী পোৎশক্তি হায়না চিংনবা সম্পতি অমসুং বেঙ্ক এক্কাউন্ট কয়ামরুম মশক খঙদোকপা ঙমখি হায়না এজেন্সি অসিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এন আই এনা মণিপুরগী লালহৌলুপ য়ু এন এল এফকী মেম্বরশিংগী বেঙ্ক এক্কাউন্ট কয়ামরুম, সম্পতি অমসুং মরল-মথুমশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা ফাজিনখি। লুপ অসিগী মীওইশিংনা শেল খোমজিনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চৎথবা অমসুং শেনফমশিং অদুনা খুৎলায় লৈবদা শীজিন্নদুনা লমদম অসিদা ইরাং হেনগৎহনবদগী এন আই এনা কুপ্পা শেন্নরবা মতুংদা মীওইশিং অসি ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

এন আই এগী ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি, "ঐখোয়না মীওই অহুম ফারে। মখোয়বু কোর্টতা পুথোক্তুনা রিমান্দ লৌথনবা হোৎনরি। ফারিবা মীওইশিং অসি লালহৌলুপ অসিগী সেনিয়ার কেদর ঙাক্তনি। মখোয়না অচৌবা শেনফম কয়া থমজিল্লমগনি হায়না চিংনরিবা বেঙ্ক এক্কাউন্টশিং অদু ঐখোয়না খঙদোক্লবা থৌরাং তৌরি।"ফারবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা শেল থৈদোক থৈজিন তৌবা অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭ কি প্রোভিজিনশিংগা মরী লৈনবা চার্জ কয়া তৌখ্রে। পাউগী লীখুনশিংনা লালহৌলুপ অসি মেঘেন ফাখ্রবা মতুংদা নৌহৌননা ওর্গনাইজ তৌনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি। লুপ অসিগী মীওইশিংনা মেঘেন অমসুং অতোপ্পা কেদরশিংগী ওর্দর মতুংইন্না মণিপুরদা এক্সটোর্সন তৌদুনা ফন্দ খোমগৎনবা থৌরাং তৌরি। শেনফমশিং অদু মীওই কয়াগী খুথাংদা গুৱাহাটিদা পুরবা মতুংদা নেপাল, বঙ্গলাদেশ অমসুং ম্যানমারনচিংবা লৈবাকশিংদা অমুক থাখি হায়রি।

এন আইএনা মমাঙদা লুপ অসিগী কেদরশিংনা পুলিসতগী নাহ্নোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নবা মখল-মখা কয়াগী ইমেল এদ্রেস অমসুং সেটিল্লাইট ফোনশিং ফাগৎখ্রে। "কেদরশিং অদুদগী ফংখিবা ইমেলশিং অদুনা বজেটকী মওং, ফন্দ খোমগৎপা অমসুং য়েহ্নোকপা, লুপ অসিনা পাঙথোকখিবা ভাইওলেন্সকী থবকশিং, মীরৈপাক্তগী খুৎলাই লৈশিন্নবা হোৎনবা, হৌজিক থল্লিবা খুৎলাইশিং শীজিন্নবা অমদি টেরোরিষ্ট কেম্পশিং চলাইবা য়াওনা য়ু এন এল এফকী থবক থৌওং কয়া খঙহনবা ঙম্লে" হায়না এন আই এগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন এল এফকী লিদরশিপনা ইং ২০০৯ দা চাইনাদা মিটিং অনিরক পাঙথোকখিবগী খুদম কয়াসু এজেন্সি অসিনা ফংবা ঙমখ্রে। মিটিংশিং অদু চাইনাগী রুল্লিং কৌবা মফম অমদা ইং ২০০৯ গী জানুৱারী ১৮ অমসুং সেপ্তেম্বর ২৮ দা পাঙথোকখিবনি হায়রি।